# নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসতা নুংশি হৈতবা মওংদা লমন খুন্নকপা য়াই হায়খ্রে



সিওল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
পিয়োংয়াংগী চেকশিন ৱারোল-শিংবু থৌশাদবা মখে সাউথ কোরিয়াগা চহীগী ওইবা মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোকপগীদমক মীনুংশি উৎলোইদবা লমন খুন্বগী খোঙথাং মায়োক্নরগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এসতা কিহনখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা করিমত্তা তৌদনা নুংঙাইনা ফমদুনা লৈথোক্কনি হায়বা য়ু এসকী ৱাখল অসি লানগনি হায়না মশক মমিং খঙদবা নোর্থকী মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা পল্লদুনা ষ্টেটনা রন তৌবা কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা মিলিটরি দ্রিলশিং অসিনা অমসুং য়ু এসকী মিলিটরি ওফিসলশিংনা সাউথ কোরিয়াদা চৎপনা মরম ওইদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা লাল ঔরাইবগী ফিভম অমা লাকহল্লি হায়না কে সি এন এনা ফোঙদোকখি।

য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা ৱাহৈগী লাল হন্থখ্রবা মতুংদা কম্মেন্টশিং অসিনা লাল হেন্না পান্বগী মওং অমা উৎলি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা চয়োলদা নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উনবু জপান লান্না গুআম মনাক্তা মিসাইলশিং কাপ্পগী মতম থীন্থহনখিবগীদমক থাগৎখি। মমাঙদা করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ন লীদরনা অমেরিকান হোমলেণ্ডদা মখা তানা কিহল্লক্লবদি মৈ অমসুং অশাওবা মায়োক্নগনি হায়না পিয়োংয়াংদা চেকশিনৱা ফোঙদোক-খিবা মতুংদা ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়ন লীদরবু থাগৎখিবনি।

য়ু এসকী পেসিফিক কম্মান্দগী চীফ হেরি হেরিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অপূনবা মিলিটরি দ্রিলশিং অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী ক্রাইসিসকী মতাংদা ডিপ্লোমেটিক সোল্যুসন অমা পুথোক্নবা অপীল তৌখি।। মহাক্না হায়খি, য়ু এসতা লাকপা মিসাইল খূদিংমক লৈবাক অসিনা থুগায়দুনা মাঙহনবা ঙমই।

কিম জোং উন্না শিংনরক্লিবসিগী মতাংদা ঐখোয়না ডিপ্লোমেটিক সোল্যুসন অমা পুথোকহনবা পামই হায়না হেরিসনা সিওলগী খাদা লৈবা ওসান এয়র বেজদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মিলিটরি পাঙ্গলনা শৌগৎপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে মরমদি লাল শোক্নবা ঙম্বগী পৱার লৈবনা ডিপ্লোমেসিদা মতেং পাংগনি, ডিপ্লোমেসিনা লাল থোকহনগদবা নৎতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ফিলিপিন্সকী ওপোজিসন্না প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেদো দ্রগকী কেম্পেনদা মী হাৎপা লেপ্পনবা তকশিনখ্রে

মনিলা, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
ফিলিপিন্সকী ওপোজিসন কাঙবুশিংনা লৈবাকসিগী লীদর রোদ্রিগো দ্যুটর্টেদা অঙম-অরাই খঙদনা থবক তৌবগী হৈনবী থাদোক্নবা অমসুং দ্রগকা মরী লৈনবা মীহাৎশিং লেপ্পনবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা তকশিনখ্রে। পুলিসনা নহা অমা হাৎখিবগী মতাংদা মীয়াম্না পাক-শন্না খোইরাং খোইশাওনরিঙৈদা ওপোজিসনগী মীওইশিংনা প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেদা দ্রগকী মায়োক্তা চথবা কেম্পেনদা পাক্তক্না মী হাৎপগী থবক লেপ্পনবা অপীল তৌখিবনি।

পুলিসনা কাহেনবা কয়া তৌখিবগী মরালশিং অমসুং হৌখিবা চয়োলদা কিয়ন লোইদ দেলোস সান্তোস কৌবা চহী নৌরিবা মীওই অমা শিখিবগী থৌদোক্না হান্নদগী দ্যুটর্টেগী কেম্পেনবু শৌগৎপা ফোঙদোক্নখিবা মীয়ামগী ৱাখলদা অশাওবা পোকহনখি। দ্যুটর্টেগী কেম্পেন অদুগী মনুং চন্না হৌখিবা চয়োলদা পুলিসকী ওপরেসনশিং খংকন-কনশিন্দুনা অহিং অহুমখক্কী মনুংদা মীওই ৯০ হেন্না হাৎখি।

গ্রেদ ১১ গী মহৈরোয় অদু হৌখিবা চয়োলগী য়ুমশকৈশদা মনিলাগী ফিভম ফৎত্রবা এরিয়া অমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

মহৈরোয় অদুগী মশাদা ওটোপসি পাঙথোকখিবা ফোরেনসিক এক্সপার্ট অমগী মতুং ইন্না, দেলোস সান্তোসনা ফ্লোরদা লৈরিঙৈদা মহাক্কী লুখম অমসুং মনাদা নোংমৈনা কাপখিবনি। মসিনা ওফিসল পুলিস রিপোর্টকী ওন্ন-তৈনবদা নোংমৈ কাপ্পখিবগী থৌদোক থোকখিদে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। ভিক্টিম অসিগী ইমুংনা মহাক দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা মীওইনি হায়বা পুলিসকী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।



দ্রগকী মায়োক্তা থা ১১ চুপ্পা লাঞ্জং চঙশিল্লকখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা পুলিসপু দ্যুটর্টেনা কন্না শৌগৎপা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা নিংথৌকাবগী অথেংবদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা নহা অদুবু হাৎপদা চেন্নরিবা পুলিস ওফিসর অহুমদু করিগুম্বা লো থুগাইরম্বা থোক্লবদি চৈরাক ফংহনগনি হায়খি।

দ্যুটর্টেনা হায়খি মদুদি, মীদিয়ানা ফংখিবা সী সী টি ভিগী ফুটেজ অমা মহাক্না য়েংখি অমসুং মদুদা ফিজম শেৎপা পুলিসনা দেলোসকী মীওই মীতৌগা মান্নবা মীওই অমা মফম অমদা চিংলগা পুবা উখি। তুংদা মীওই অদু মফমদুদা শিরমখি।

হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা দ্যুটর্টেগী ক্রিটিক অমা ওইরিবা ওপোজিসনগী সিনেটর লৈনা দি লিমানা প্রসিদেন্টবু শিংনরদুনা পুলিসতা মী হাৎপা লেপ্পনবা ওর্দর তৌনবা তকশিনখি।

# ট্রম্পকী অকনবা ৱাহৈ ৱাতাশিংনা য়ু এস গভর্নমেন্টকী পেন্দবা উৎলি

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক্কী অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজি লাউথোকপদা পাকিষ্টানগী মতাংদা অকনবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া শীজিন্নরিবা অসিনা ইস্লামাবাদনা ক্রোস বোর্দর টেররিজম মখা তানা শৌগৎপগী ফিভমদা য়ু এস গভর্নমেন্ট মনুংদা নিংবা কায়বগী মওং উৎলি হায়না হান্নগী অমেরিকান ডিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রম্পনা কম্মান্দর-ইন-চীফ ওইনা লৈবাক মীয়ামদা টেলিভিজনগী থোংদা ৱা ঙাংলদুনা টেররিষ্টশিংবু চঙজফম পীবগীদমক্তা পাকিষ্টানদা চেকশিনৱা হায়খি অমসুং লালনা অৱাবা নংহল্লবা অফঘানিষ্টানদা ইং-চিকপা ফিভম পুরকপদা ইন্দিয়াবু হেন্না চাউবা থৌদাং লৌহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

অমেরিকাগী খ্বাইদগী মতম শাংলবা লাল অদু লোইশিন্নবা মহাক্না অফঘানিষ্টানদগী ট্রুপশিং হাথু-হাথু হন্দোকপগী ৱাফম লৈতে হায়খি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ঙসি অথেংবদা লৈবাক মীয়ামদা অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা মহাক্কী লাল্লোং লাউথোকখ্রে। মদুদা মরুওইনা মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী লাল্লোং মখা চত্থবগী ৱাফম য়াওই। মরুওইবা শক্তম খরা য়াওহন্দুনা মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী লাল্লোং মখা চত্থগদৌরিবনি হায়না ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনদা সাউথ অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ওফ ষ্টেটকী ফম পুরম্বা নিশা দেসাই বিসৱালনা ফোঙদোকখি।





"অহানবমক্তদা পুরক্লিবা অহোংবশিং অসি অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা য়ু এসকী পোলিসিদা নৎতে তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট মশামক্কী মীৎয়েংদা হোংলকপগী মওংনি। মরমদি মহাক্না মীখলগী কেম্পেইন তৌরিঙৈদা অমেরিকান ট্রুপশিং লৌথোকপগী ৱাফম তৎতনা পনখিবদু হৌজিক্তি মখা তানা লৈহন্নবা লেপখ্রে। মহাক্না ট্রুপ মশিং খরা হেনগৎহল্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎসু পীখ্রে হায়না বিসৱালনা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ট্রম্পনা অফঘানিষ্টানগী মতাংদা পায়খৎকদবা লাল্লোং অদু লাউথোক্লদুনা খুদক্তা ট্রুপশিং লৌথোকপনা লৈবাক্তুদা চাউনা হোহৌগদবা অমসুং মরা চেৎহৌরোইদবগী ফিভমদু মহাকসু খঙই হায়বা উৎখি।

'হৌজিক্কী নৎত্রগা হৌজিক্কী থাক্তা নক্নবা চাংদা য়ু এসকী ট্রুপশিং মখা তানা লৈবনা অফঘানিষ্টানবু চপ চানা মরা চেৎহনগদবা নৎত্রবসু লৈবাক অসি মপূং ফানা কাং-খোং চাইবগী ফিভমদগীদি কনগনি। প্রসিদেন্টনা লাউথোক্লিবসিনা য়ু এসকী ট্রুপশিংনা চৎখিবদা পুংহো হোবা ফিভম অমা লৈহৌরগনি হায়না ৱানরিবা অফঘানিষ্টানগী মীয়ামদা থাজবা খরদি পোকহল্লগনি।'

বিসৱালনা হায়খি মদুদি, ট্রম্পনা টেররিজম থেংনবগী মিসনদা মপূং ফানা ওনশিল্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা পী হায়না লৌবা য়াই। মদু অফঘানিষ্টানবু মরা চেৎপা অমসুং চৎনবা য়াবা মশক থোকপা লৈবাক অমা ওইনা শেমগৎপগী ৱাফম নৎত্রবসু ফিভম হেন্না শোকচিল্লকপা অমসুং অমেরিকান হোমলেণ্ডদা অকিবা পোকহল্লকপা য়াবা ফিভম থিংবদা মীৎয়েং থম্বগী ৱাফমনি।

# য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র দিল থাদোক্লবদি ইরাননা য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্ট থুনা হৌগদৌরি



টেহরান, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ন্যুক্লিয়র দিল শেগাইবা তারবদি ইরাননা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা অৱাংবা থাক্তা য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্ট তৌবগী থবক হৌবা য়াই হায়না এটোমিক ইনর্জি ওর্গনাইজেসনগী মকোকনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌরবদি শাংলবদা নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা ফোর্দো (ন্যুক্লিয়র প্লান্ট) দা ইনরিচমেন্ট চাদা ২০ হৌবা ঙমগনি হায়না অলি অকবর সালেনিনা ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর আই আর আই বিগী ইন্টরভ্যু অমদা হায়খি।

ঐখোয়না থবক অমা পাঙ-থোকপদি পামদে মরমদি জে সি পি ও এ (ন্যুক্লিয়র দিল) পুরক্নবা ঐখোয়না অদুক্কী মতিক কন্না হোৎনখি। খ্বাইদগী মরুওইনা তৌগদবদি জে সি পি ও এ ঙাক্না চৎপনি তৌইগুম্বসুং মসি ঙাক্না চৎপনা অতৈদা অকায়বা পীহনবদি য়ারোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইরানগা মালেমগী পৱারশিংগা হৌখিবা ২০১৫ দা সাইন তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলনা লৈবাক অসিগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোকখি। অমরোমদা অথিংবশিং কোমথোক-পগীদমক ইরাননা মসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌখি।

চাং ৱাংনা হায়বদি চাদা ২০ নৎত্রগা হেন্না য়ুরেনিয়ম ইনরিচ তৌবা য়াদবগী ৱাফম অথিংবশিংদুদা য়াওখি। চাদা ২০ ফাওবগী চাংদা য়ুরেনিয়ম ইনরিচ তৌবনা ইরানবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শাবা ঙমহনগদৌরিবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ন্যুক্লিয়র দিল অদু শেগাইগনি হায়না মহাক্কী কেম্পেন মনুংদা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখি। ইরাননা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকখিবা অমসুং ৱাশিংটননা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখিবা মতুংদা ট্রম্পকী মথক্তা প্রেসর কনখৎলকখি। ফিভম অসিদা নাকল অনীমক্না অমনা অমবু এগ্রীমেন্ট অদু থুগাইরে হায়না মরাল শিনখি।

তৌইগুম্বসুং সালেহিনা ফোঙ-দোকখি মদুদি, ন্যুক্লিয়র দিল অদুবু চৎনহন্দবা হায়বসিনা ৱাশিংটননা নোর্থ কোরিয়াগী এটোমিক প্রোগ্রাম লাকশিন্নবা হোৎনবদা অকাইবা লাকহনগনি।

করিগুম্বা মখোয়না (অমেরিকান-শিংনা) জে সি পি ও এ থাদোকখিবা তারবদি নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়দা ৱাশক ঙাক্তে হায়না শোয়দনা হায়গনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা খোঙথাং থাংলকপা তারবদি য়ু এসতা থাজবা অমৎতা লৈররোই। মখোয়না পীখিবা থাজবশিং করিগীদমক মখোয়না থুগাইরিবনো হায়বা ৱাহং লাক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# চাইনিজ ট্রুপশিং চঙশিল্লবদি কাং-খোং চাইবগী ফিভম লাক্কনি : বৈজিং

*বৈজিং, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):*
*ইন্দিয়াগী মায়োক্তা মখা তানা চৈ থাংবগী থৌওং চত্থরদুনা করিগুম্বা চাইনিজ ট্রুপশিংনা ইন্দিয়াদা চঙশিনবা তারবদি 'খম থেংনা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লৈগনি' হায়না চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে অমসুং দোক্লাম প্লাটুদা লৈরিবা মুক্নবগী ফিভমদা ন্যু দিল্লিনা লৌরিবা ফিরেপ নোক্লিঙাই অমসুং য়াম্না ফৎতবা মওংনি হায়খ্রে।*

*হৌখিবা চয়োল খরসিদা দোক্লামদগী ইন্দিয়ন ট্রুপশিং খুদক্তা হন্দোক্নবা ডিমান্দ তৌরদুনা চাইনানা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাকখি।*

*চাইনিজ আর্মিগী কনষ্ট্রক্সন পার্টি অমনা লম্বী অমা শেমগৎনবা হোৎনখিবা মতুংদা লৈবাক অহুমগী তাইনফম ওইবা ভুটানগী এরিয়া অমগী মনাক্তা লৈবা দোক্লামদা চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা ট্রুপশিং থাজিন্নদুনা হৌখিবা জুলাইদগী উংখৎনদুনা লাকখি।*

*ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বৈজিংগী মরন্নাই ৱারেপ্পা লৈবাক অহুমগী তাইনফম লেপ্পা হায়বসি ২০১২ গী ইন্দিয়া-চাইনা পেক্ট খোঙ্গাওনৈ হায়না ফোঙদোকখিবনি। পেক্ট অদুগী মতুং ইন্না লৈবাক অহুমগী ঙমখৈশিংগী তাইনফম হায়বসি মরী লৈনবা পার্টিশিং তানরগা লেপকদবনি হায়না ন্যু দিল্লিনা ফোঙদোকখি। ভুটাননা হায়রি মদুদি, দোক্লাম হায়বসি ভুটানগী লমনি তৌইগুম্বসুং লৈবাকসিগী লমদা চাইনানা ক্লেম তৌশিল্লকখিবনি।*

*চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, চাইনানা লান্না লম্বী অমা শেমজিন-শাজিল্লে হায়বদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লোনা য়াদবা মওংদা ঙমখৈ লানশিল্লকখি। ইন্দিয়ানা চঙশিল্লকখিবগী মরম নোক্লিঙাই ওই অমসুং মসি য়াম্না ফৎতবা থৌওং অমনি। অশেংবা মরমশিং পূম্নমক্কী মমাঙদা তাদুনা লৈ।*

*'মীওই খূদিংমক্না লৈরিবা ফিভমদুগী মতাংদা ৱাখল তৌবা য়াই। ঐখোয়না ইন্দিয়াগী নোক্লিঙাই ওইবা লোজিকপু তুমিন্না য়েংদুনা লৈবা তারবদি মীওই অমনা মহাক্কী য়ূম্লোন্নবদা তৌরিবশিং পামদে হায়দুনা য়ূমদুদা হেক্তা নম্ফুদা চঙশিনবা য়াবগী মওং লাক্কনি হায়না চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।*

# নোর্থ কোরিয়ানা সিরিয়াগী কেমিকেল খুৎলাই প্রোগ্রামদা মতেং পাংই : য়ু এন রিপোর্ট

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওগষ্ট ২২:
হৌখিবা থা তরুক অসিদা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী কেমিকেল খুৎলাই প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা এজেন্সী অমদা নোর্থ কোরিয়ানা পোৎশক কয়া মসিগী ভেসেলশিংদা থাখিবদা লমখাংদা অনীরক থৎলগা ফাখি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী অথিংবশিং খোঙ্গাওনবগা মরী লৈননা শেম্বা য়ু এনগী অরোনবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

থা অসিগী অঙনবদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা লানখৎখিবা মনীং তম্না থবক তৌবা য়ু এনগী এক্সপার্টশিংগী পেনেল অমনা শেম্বা রিপোর্ট অদুনা করম্বা মতমদা অমসুং কদাইদা সিপশিংদু থৎখিবগে নৎত্রগা মখোয়দা করি করি পোৎশকশিং য়াওখিবগে হায়বগী অকুপ্পশিং পীখিদ্রে।

সিরিয়া অমসুং দি পি আর কে (নোর্থ কোরিয়া) গী মরক্তা অথিংবা কেমিকেল, বলিষ্টিক মিসাইল অমসুং কনভেনস্নেল খুৎলাই মতেং পীনবগী রিপোর্টশিংগী মতাংদা পেনেল অসিনা থিজিল্লি হায়না এক্সপার্টশিং অদুনা লামায় ৩৭ কী রিপোর্ট অদুদা ইখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, সিরিয়া তম্না চৎকদবা ভেসেল অনীদু মেম্বর ষ্টেট অনীনা থৎখি। অতোপ্পা মেম্বর ষ্টেট অমনসু পেনেল অসিদা ভেসেলশিং অদুদা পুরিবা পোৎলমশিংদু কোমিদনা সিরিয়াগা তৌনখিবা কনট্রেক্ট অমগী শরুকনি হায়না থাজবা য়াবা মরমশিং লৈ হায়না খঙহনখি।

কোমিদ অসি কোরিয়া মাইনিং ডিভলপমেন্ট ট্রেদিং কোর্পোরেসননি। মসি কুমজা ২০০৯ দা সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ব্লেকলিষ্ট তৌখি অমসুং পিয়োংয়াংগী মরুওইবা খুৎলাই দিলর অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিং অমসুং কনভেনস্নেল খুৎলাইশিংগা মরী লৈনবা ইক্বিপমেন্টকী এক্সপোর্টরনি হায়না ফোঙদোক্লে। হৌখিবা চহী ২০১৬ কী মার্চতা কাউন্সিলনা সিরিয়াদা লৈবা কোমিদকী রিপ্রজেন্টেটিভ অনীসু ব্লেকলিষ্ট তৌখি।

ভেসেল অনীগী পোৎশকশিং অদুবু ওক্কদৌরিবশিংদু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সিরিয়াগী সাইন্টিফিক ষ্টদিজ এণ্ড রিসর্ছ সেন্টর (এস এস আর সী) গী ফ্রন্ট কম্পনিশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা সিরিয়াগী এন্টিটিশিংনি হায়না য়ু এনগী এক্সপার্টশিংদুনা ইখি। এক্সপার্টশিংদুগী মতুংইন্না, এস এস আর সী অসি মমাঙগী অথিংবা আইটেম কয়া পীথোক-পীশিন তৌনখিবদা কোমিদকা কোওপরেসন পীনখি হায়না পেনেলসিনা মশক খঙখ্রবা সিরিয়াগী এন্টিটি অমনি। কুমজা ১৯৭০ গী মতুং চহী খরদগী এস এস আর সীনা সিরিয়াগী কেমিকেল খুৎলাই প্রোগ্রাম য়েংশিল্লকখি।

KANGLEIPAK COMPUTECH (L & B GROUP)
Singjamei Thokchom Leikai, Imphal West, Near SBI Bank, Manipur-795001
Deals in : COMPUTERS, COMPUTER ACCESSORIES, LAPTOPS, CCTV, PC GAMES, PRINTERS
Sales & Service + CCTV Installation
Cheap & Best



Contact No. +91 7085163678, 0385-2441628
e-mail : kangleipakcomputech@gmail.com
Cheap & Best
LENOVO ASUS ACER HP TOSHIBA SONY SAMSUNG DELL
HL-P/2533/14to13 Sept.

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XII SCIENCE FOUNDATION COURSE (3RD BATCH) - 2017
Starting of Class : 11th September, 2017
Special Features :
1) Supply of exam oriented Study Material.
Class Timing : 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
2) No. of Seats : 30 only
*Van Service Available*
Managing Director
We nourish your future
HL-P/2136/19 Aug. to 16 Sept. (Alt.)

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738
Acupressure and Massage Treatment
OPD DISCOUNT
25% for 50 yrs. and above & 40% for BPL Family
Time from 6 a.m. - 2 p.m.
* খ্বাঙ নাবা, * লু-তাং চিকপা, * কলাপ মরী শোনবা,
* পেরালাইসিস, * কোক চিকপা, * খোঙ-খুৎ চিকপা-নাবা ..etc
- FIRST COME FIRST SERVE - " COME AND BE HEALED "
HL-B/4076/15to30

HELPINGHAND GROUP
Rs.4,00,000/- (4 Lakh)
Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -
Half Monthly (2wise Draw in a month)
1. Per Draw Amnt. Rs.1000/-@ Lottery WINNER Rs. 4 Lakh.
2. Per Draw Amnt. Rs. 500/-@ Lottery WINNER Rs. 2 Lakh.
Few Shares are remaining - Join till 5th September 2017
HelpingHand Finance Service ( Office hrs. 10 pm - 5pm ) Please Visit Office.
( Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505
HL-B/4076/13to27